

# রিসিকান্তনা ৫২শুবা মিষ্টর মণিপুর, ৭শুবা মিষ্টর মণিপুর খন্বগী টাইটল লৌখ্রে


সেনিয়র ওভরওল ফংখ্রবা রিসিকান্ত


জুনিয়র ওভরওল তাখ্রবা দিনেস


মাষ্টর ওভরওল তাখ্রবা দিনেসচন্দ্র


ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জকী ৱিন্নর ননাও


ৱিমেন বোদিবিল্ডিংগী ৱিন্নর জমুনা


মেন ফিটনেস ওপনগী ৱিন্নর ফজিরুন


ৱিমেন ফিটনেস ওপনগী ৱিন্নর জেবিয়া

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০২(ঐচ এন এস)ঃ সলাই হোলদিংস প্রাইভেট লিমিটেদনা মেন স্পোন্সর ওইদুনা অমদি কো স্পোন্সরদা ববিনা দাইগ্নোষ্টিক, ফিটনেস ৱর্ল্ড, কোমেট স্কুল, এম/এস খাগেন্দ্ৰা ইন্টরপ্রাইজেস, ঐচ ভি এস, হেলদি বোদি, এবসুলুট ন্যুত্রিনস, সোই কোটিসি, কেন বেগ, দালমিয়া অমসুং মহিন ফর্ষ্ট চোইসনা পূন্না স্পোন্সর তৌদুনা ওল মণিপুর বোদিবিল্ডরস এসোসিএসন (এ এম বি বি এ) না শীন্দুনা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোকপা মিষ্টর মণিপুর অমদি মিষ্টর মণিপুর খন্বা হন্দক চহীগী ৫২শুবা মিষ্টর মণিপুর অমদি ৭শুবা মিষ্টর মণিপুর খন্বা ২০১৮ ইম্ফালগী জি এম হোলদা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অসিদা কে বি বি জিম তেরাগী লাইতোঞ্জম রিসিকান্তনা মিষ্টর মণিপুর অমদি মিষ্টর মণিপুর খন্বগী টাইটল লৌখ্রে।

তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী জিম ৬২গী শাফবা ২১২না কেটেগোরি ৭ খাইদোক্তুনা ৱেট কেটেগোরি ২২দা চাংদম্নবা ৫২শুবা মিষ্টর মণিপুর অমদি ৭শুবা মিষ্টর মণিপুর খন্বা ২০১৮গী থৌরম অদুদা মণিপুরগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দ, অম্বাগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা আই বি বি এফকী এগজিক্যুটিভ মেম্বর এন রতন, আই বি বি এফকী প্রসিদেন্ট অর্জুন এৱার্দি অমদি পদ্মশ্রী এৱার্দি প্রেমচান্দ দেগ্রা (মিষ্টর য়ুনিভর্স), আই বি বি এফকী ত্রেজরর রামেসকুমার শ্বামি, আই দি জি পি (প্রিজন্স/ত্রেনিং) পি দোঙ্গেল (মিষ্টর ইন্দিয়া), য়াসকী এসিষ্টেন্ট দিরেক্ট কে ঐচ থৌবা, ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্কী চ্যেরমেন কম মেনেজিং দিরেক্টর ডা. টি ঐচ দবলি, মিষ্টর এসিয়াগী ৫রক টাইটল ফংখ্রবা অমদি মিষ্টর ৱর্ল্ডগী ৭লক টাইটল লৌখ্রবা এ বোবি, সলাই হোলদিংস প্রাইভেট লিমিটেদকী ভাইস চ্যেরমেন নারেংবম বিস্বাজিৎ অমসুং এলাংবম ব্রোজেন্দ্রো, কোমেট স্কুলগী মেনেজিং দিরেক্টর ইরোম উমাকান্ত, ভারতি এয়রটেল লিমিটেদকী বিজিনেস পার্টনর ভিনসেন নামৈরাকপম অমসুং এম/এস খাগেন্দ্ৰ ইন্টরপ্রাইজেসকী প্রোপ্রাইটর টি ঐচ দোজেন্দ্রোনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

কম্পিটিসন অসিগী সেনিয়রগী ওভরওল টাইটল তেরা কে বি বি জিমগী লাইতোঞ্জম রিসিকান্তনা তাখ্রে। পেলেস কম্পাউন্দ রেদিএন্ট ফিটনেসকী লৈতান্থেম দিনেসনা অনীশুবা অমসুং এম পি এস সী ইম্ফালগী কে অর্নোল্ডনা অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে।

জুনিয়র ওভরওলগী টাইটলনা পেলেস কম্পাউন্দ রেদিএন্ট ফিটনেসকী লৈতান্থেম দিনেস, শিংজমৈ ঈ সী জিমগী রিসিকান্ত চান্দম অমসুং কে এফ সী শিংজমৈগী গুনাও লুৱাংথেম্না অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

মাষ্টর ওভরওলগী টাইটলনা ক্বাকৈথেলগী স্কুল ওফ বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেসকী থাংজম দিনেসচন্দ্র, শিংজমৈগী য়ু ফিটনেসকী নামৈরাকপম ওজিৎনা অনীশুবা অমসুং খুরাই প্রাফেক্ট ফিটনেস সেন্তরগী য়েন্দ্রেম্বম নন্দো লুৱাংনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জ ওপন কেটেগোরিদা বিষ্ণুপুর বিষ্ণু জিমগী অহোংশাংবম ননাওনা অহানবা, থৌবাল রোয়েল ফিটনেস একাদেমিগী নাওরেম জয়েন্তনা অনীশুবা অমসুং খোমিদোক্কী এমষ্ট্রোং জিমগী এম দি আইদ্রিস খান্না অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

ৱিমেন বোদিবিল্ডিং ওপনদা থৌবাল রোয়েল ফিটনেস একাদেমিগী ৱাংখেম জমুনা, একাদেমি অসিগী থিংবাইজম সরিতানা অনীশুবা অমসুং তেরা কে বি বি জিমগী ইঙুদম কবিতা চনুনা অহুমশুপা পোজিসন তাখি।

মেন ফিটনেস ওপনগী নাগামপাল দি জিম রিবোনগী এম দি ফজিরুল হক, য়াইস্কুল ৱর্ল্ড জিমগী রিনোৱিস অথোকপমনা অনীশুবা অমসুং ক্বাকৈথেল স্কুল ওফ বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেসকী খুলেম দেবরিসনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

ৱিমেন ফিটনেস ওপনদা খুরাই সুপর জিমগী থৌনাওজম দিবিয়া, ক্বাকৈথেল স্কুল ওফ বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেসকী বুসোরিয়া কাংজম অমসুং নম্বোল ক্লিয়োপত্র ফিটনেস সেন্তরগী ত্রোংবম অঞ্জনানা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

সেনিয়রগী ওভরওল চেম্পিয়ন্দা লুপা লাক্ষ ১.৫০, জুনিয়র ওভরওলদা লুপা লিশীং ৫০, মাষ্টর ওভরওলদা লুপা লিশীং ১৫, ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জ ৱিন্নরদা লুপা লিশীং ১০, ৱিমেন বোদিবিল্ডিং ৱিন্নরদা লুপা লিশীং ১০, মেন ফিটনেস ওপনগী ৱিন্নরদা লুপা লিশীং ১০ অমসুং ৱিমেন ফিটনেস ওপনগী ৱিন্নরদা লুপা লিশীং ১০ খুৎশিন্নখি।

## ৫শুবা ইমোইনু ত্রোফি ভিলেজ ৱাইজ মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ০২(ঐচ এন এস)ঃ য়ুথ পেরদাইজ ক্লব গ্বালতাবী, য়ুথ প্রোগ্রেসিভ ফ্রন্ট য়াইঙংপোকপী, য়ুথ দিভলপমেন্ট ক্লব থম্নাপোকপী অমসুং সনাশাবী য়ুথ ক্লব সনাশাবীনা পূন্না খূশন্নদুনা শীন্দুনা সনাশাবী শান্নবুংদা ৫শুবা ইমোইনু ত্রোফি ২০১৮ ভিলেজ ৱাইজ মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ হৌদোকখ্রে।

টিম ২৩না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৬ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা ৫শুবা ইমোইনু ত্রোফি ২০১৮ ভিলেজ ৱাইজ মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরম অদুদা সৈজাং জি পিগী প্রধান ঐচ নিমাই, সনাশাবী ভিলেজ কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট চোংথাম তোম্বা মীতৈ, সৈজাং জি পিগী উপ প্রধান টি ঐচ রোনেল্ড মীতৈ অমসুং তেলৌ-চানা, সৈজাং জি পি ৱার্দ নম্বর ১/১/৮গী মেম্বর লাইশ্রম জিবন মীতৈনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হৌদোকপগী লীগ রাউন্দগী অহানবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১২.৩০ তাবা মতমদা বোলেরো সেক্তা অমসুং ঙারিয়ান এফ সী য়াইরিপোক লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা ঙারিয়ান এফ সী য়াইরিপোক্না বোলেরো সেক্তাবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখি। ঙারিয়ান এফ সীগী গোলশিং অদু রিসিকান্তা, আলি অমদি সাহিদুরনা চনখি। অদুগা বোলেরোগী গোল অদুনা বিশ্বরজিৎনা চনখি।

## আইজোল এফ সীনা পোইন্ট ৯ ফংদুনা অন্দর-১৮ য়ুথ লীগ ২০১৮-১৯ রেষ্ট ওফ ইন্দিয়া গ্রুপ বিগী ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০২(ঐচ এন এস)ঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) কী মীৎয়েং মখাদা খুমন লম্পাক্কী আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরকপা গ্রুপ বি কেটেগোরিগী অন্দর-১৮ য়ুথ লীগ ২০১৮-১৯ রেষ্ট ওফ ইন্দিয়াদা আইজোল এফ সীনা পোইন্ট ৯ ফংদুনা গ্রুপ বিগী ৱিন্নর ওইখ্রে।

অন্দর-১৮ য়ুথ লীগ ২০১৮-১৯ রেষ্ট ওফ ইন্দিয়া জোন গ্রুপ বিগী টিম মরিনা শরুক য়াদুনা চথরকপা লীগ অসিগী মঙাশুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ১০ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা গেংটোক হিমালয়ন স্পোর্টিং ক্লব অমসুং নেরোকা এফ সী শান্নখি।



মেচ অদু টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী ১১শুবা মিনটতা গেংটোক হিমালয়ন স্পোর্টিং ক্লবকী কেপ্তেন জর্সি নম্বর ১৭ রোমান সুবানা মেচ অদুগী অহানবা গোল চন্দুনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। নেরোকাগী মায়কৈদগীসু গেংটোক হিমালয়ন স্পোর্টিং ক্লবনা মাঙজিল থারিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরকখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা নেরোকা এফ সীনা গেংটোক হিমালয়ন স্পোর্টিং ক্লবকী পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী হৌনা নেরোকা এফ সীগী মায়কৈদগী গেংটোক হিমালয়ন স্পোর্টিং ক্লবনা অহানবা হাফতগী মাঙজিল থাদুনা লাক্লিবা গোল অদু হন্দোক্লবা এটেক মথং-মথং চথরকখি। মেচকী ৬১শুবা মিনটতা নেরোকা এফ সীনা গেংটোক হিমালয়ন স্পোর্টিং ক্লবকী গোল পোষ্ট তম্না পুশিল্লকপা বোল অমা গেংটোক হিমালয়ন স্পোর্টিং ক্লবকী রোমানসুবানা দিফেন্দ তৌনবা হোৎনবদা ফাওল তাদুনা নেরোকা এফ সীগী পেনালটি কিক অমা ফংখি।

মেচকী ৬৩শুবা মিনটতা নেরোকা এফ সীগী জর্সি নম্বর ১৬ বেঞ্জামিন লুফেংনা পেনালটি কিক অদু গোল ওন্থোক্তুনা মেচ অদু গোল ১-১দা ইক্বেলাইজ তৌখি। মিনট ২ কান্নরগা মেচকী ৬৫শুবা মিনটতা নেরোকা এফ সীগী জর্সি নম্বর ১১ ৱাই সোনম চোথেনা চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা নেরোকা এফ সীনা গেংটোক হিমালয়ন স্পোর্টিং ক্লবপু গোল ২-১দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা অমদি লীগ রাউন্দগী অরোইবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা আইজোল এফ সী অমসুং ত্রাও এফ সী শান্নখিবা মেচ অদু আইজোল এফ সীনা গোল ৩-০দা মায় পাকখি। আইজোল এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু রালরেমরোতানা মেচকী ৭শুবা, পিটরনা মেচকী ৪০শুবা অমসুং টেচিতাত্রানা মেচকী ৪২শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অন্দর-১৮ য়ুথ লীগ ২০১৮-১৯ রেষ্ট ওফ ইন্দিয়া গ্রুপ বিগী লীগ রাউন্দ মেচশিং লোইশিনখিবগা লোয়ননা পোইন্ট টেব্লিগী মতুং ইন্না আইজোল এফ সীনা মেচ ৩ শান্নবদা মেচ ৩ মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৯ ফংদুনা ৱিন্নর, ত্রাওনা মেচ ৩ শান্নবদা মেচ ২ মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৬ ফংলগা অনীশুবা অমসুং নেরোকানা মেচ ৩ শান্নবদা মেচ ১ মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৩ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

### ১২শুবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট লোইশিনখ্রে

## দি এফ সীনা আর ৱাই সীবু মায়থীবা পীরল্লগা চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০২ (ঐচ এন এস)ঃ জেলিয়াংরোং ফুটবোল এসোসি-এসন (জেদ এফ এ) না শীন্দুনা থাংমৈবন্দ থাও স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা নবেম্বর ৪দগী হৌদুনা পাঙথোরকখিবা ১২শুবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮দা দি এফ সী দুগাইপাংজাংনা আর ৱাই সী রগাইলোংবু মায়থীবা পীরল্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে। অদুগা আর ৱাই সী রগাইলোং য়ুথ ক্লবনা রন্নর্স-অপ তাখ্রে।




টিম ৩৪না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা ১২শুবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা ৱর্ক্স, পৱার, আর দি এন্দ পি আর, টেক্সটাইল কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টর টি ঐচ বিস্বাজিৎ, মণিপুরগী হান্নগী দেপ্যুটি সী এম ওইরম্বদা নত্তনা এম এল এ গাইখাঙম, চিঙাই এ সীগী এম এল এ খাসিম বাসুম, তমেংলোং এ দি সীগী চ্যেরমেন নামসিনরৈ পানমৈ, মণিপুরগী হান্নগী মিনিষ্টর ডা. কে ঐচ লোকেন, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট জোতিন ৱাইখোম অমসুং এ ঈ চীংমৈরোংগী প্রোপ্রাইটরসু ওইরিবা নেরোকা এফ সীগী প্রসিদেন্ট অরুনকুমার থাংজম্না মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা দি এফ সী দুইগাইপাংজাং অমসুং আর ৱাই সী রগাইলোং য়ুথ ক্লব শান্নখি। চেম্পিয়ন ওইনবগীদমক টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা দি এফ সীনা আর ৱাই সীবু গোল ১-০দা মায়থীবা পীরল্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী মপূ ওইখি। অদুগা মায়থীহৌরবা আর ৱাই সীনা রন্নর্স-অপ তাহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমনা কে ভি ৱাই সী কেক্রুভিলা য়ুথ ক্লব, বেষ্ট মার্চ পাষ্ট টিম্না খৌপুম ফুটবোল এফ সী, বেষ্ট প্লেয়র ওফ দি টুর্নামেন্টনা দি এফ সীগী জর্সি নম্বর ১০ লানকাও হেনরি কামৈ, বেষ্ট গোলকিপর ওফ দি টুর্নামেন্টনা বি এফ সীগী গোলমৈ দিহেম্পু রোংমৈ, টোপ স্কোরর ওফ দি টুর্নামেন্টনা কে এম টি ৱাই সীগী টিচুইলুং আর পামৈনা গোল ৯ চন্দুনা অমসুং প্লেয়র ওফ দি ফাইনেল মেচনা বি এফ সীগী জর্সি নম্বর ১ এ বি মাইরিলুংবোনা তাখি।

থৌরম অদুদা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবশিংনা চেম্পিয়ন ওইখিবা টিমদা ত্রোফি য়াওনা শেলগী মনা লুপা লাক্ষ ১, রন্নর্স-অপ তাখ্রবা টিমদা ত্রোফি য়াওনা শেলগী মনা লুপা লিশীং ৫০, অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রবা গুফা টিমদা ত্রোফি য়াওনা শেলগী মনা লুপা লিশীং ২৫, বেষ্ট দিসিপ্লিন টিম অমদি বেষ্ট মার্চ পাষ্ট টিমদা সিল্ড য়াওনা শেলগী মনা লুপা লিশীং ১০/১০, অতোপ্পা টাইটল ফংখ্রবা শান্নরোয়শিংদা শেলগী মনা লুপা লিশীং ৫/৫সু খূৎশিন্নখি।

### অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল ভিলেজ মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

## কে এল ৱাই জি সী অমসুং মিখ্যা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০২ (ঐচ এন এস)ঃ ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসন (এ এম ভি এ) গী মীৎয়েং মখাদা ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুন্দা লৈবা রুরেল সোসিও-ইকনমি দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেসন (আর এস ঈ দি ও) না শীন্দুনা ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুন মখাদা লৈবা ইরোইসলাম পব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল মেন্স ভিলেজ ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা কে এল ৱাই জি সী কামোং অমসুং মিখ্যা ময়াং ইম্ফাল মায় পাকখ্রে।



টিম ৭না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল ভিলেজ মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী অনীশুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ৭.৩০ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী এস ৱাই দি সী সম্থেল অমসুং কে এল ৱাই জি সী কামোং লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা সেট হৌরকপদগী লোইবা ফাওবদা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা মেচ অদু কে এল ৱাই জি সীনা এস ৱাই দি সীবু ২৫-১৮, ২৫-২০, ২৩-২৫, ২৫-২০দা; অহুমশুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী মিখ্যা ময়াং ইম্ফাল অমসুং পি ৱাই দি ও পাওবিতেক শান্নখিবা মেচ অদু মিখ্যানা ২৫-১৬, ২৫-১৬, ২৫-১৪দা অমদি মরিশুবা মেচ ওইনা অহুমশুবা গ্রাউন্দদা আর ৱাই সী মোইদাংপোক অমসুং কে এল ৱাই জি সী শান্নখিবা মেচ অদু কে এল ৱাস জি সীনা ২৫-১৩, ২৫-১৭, ২৫-১৮দা মায়থীবা পীখি।

## ত্রায়ল সেলেক্সন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০২ (ঐচ এন এস)ঃ কর্ণাটকাগী বালেরিদা থা অসিগী ৩১দগী মথং চহীগী জন্যুৱারী ৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩শুবা এলিট ৱিমেন্স নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৮-১৯দা শরুক য়ারুনবা মণিপুরগী এলিট ৱিমেন্স বোক্সিং টিম শেম্নবা ত্রায়ল সেলেক্সন থা অসিগী ৭কী অয়ূক পুং ৭ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক্কী বোক্সিং এরেনাদা পাঙথোক্লগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা বোক্সর কুমজা ১৯৭৮তগী ১৯৯৯ ফাওবগী মনুংদা পোকপা শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াবা য়াগনি। ত্রায়ল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানবা লাকপা শান্নরোয়শিংনা মশা মশাগী শান্ন-খোৎনবদা চঙবা কিটস অমসুং মতিক চাবা মেদিকেল বুক্স লোয়নরক্তুনা মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসন (এম এ বি এ) গী জেনরেল সেক্রেটরিদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়না এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি খোইবি সলাম্না খঙহল্লক্লি।






HL-B/4987/15nov. to 13jan (alt.)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor; Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com